ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ফেব্রুৱারী ১০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩১৩শুবা মশীং

রোদ সেফটি মন্থ

থাবুম অমা চুপ্পা থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈহন্নিংই

মণিপুরদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙদা অয়ুক অঙনবদা হৌগৎলগা পাউচে অমা হাংদোক্লগা হেক পাবদা কাপ্পবদা মীওই অনী শিরে, মঙা শিরে... হায়বনচিংবা হেদলাইনগী মখাদা ফোঙলকপা পাউশিং পানরম্মী। হৌজিক্তি নোংমৈ কাপ্পরগা হাৎন-শুনবগী থৌদোক্কী পাউ নোং-ফাদোক নত্তনা তাখিদ্রে। হৌজিক্না পাউচে অমগী অহানবা লামায় হেক হাংদোক্লুবদা গাড়ী এক্সিদেন্টতা মী শিবগী পাউ হেক্তমক য়াওরে। মসিনা তাক্লিবদি লালহৌবগী ঈরাংনা শোকহল্লবা মণিপুরদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা মী শিবগী চাংদগী গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপদা শিবগী চাংনা হেনগৎলক্লে। গাড়ী এক্সিদেন্টতা মী শিবগী থৌদোক অসি মণিপুর খক্তা নত্তে, ইন্দিয়া পূম্নমক্কীনি। মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগা য়েংনবদা ইন্দিয়ানা এক্সিদেন্টতা মী শিবগী চাং ৱাংনা লৈরি। মী শিবগী চাং অসি হন্থহন্নবা ফনা কন্না হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মপুং ফানা মায় পাকপা হায়বদু ওইদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক মীয়াম পূম্নমক ৱাখল তামিন্ননবা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা অখন্নবা থৌশীল অমগী মখাদা রোদ সেফ্টি ৱিক হায়না চয়োল অমা চুপ্পা থৌরম পাঙথোক্লম্বদগী রোদ সেফ্টি মন্থ হায়দুনা থাবুম অমা চুপ্পা পাঙথোক্লে। চহী অসিগী ওইনসু সড়ক সুরক্ষা-জীবন রক্ষা হায়বা থীমদা জন্যুৱারী ১৮দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ১৮ ফাওবা রোদ সেফ্টি মন্থকী থৌরম পাঙথোক্কনি।

মণিপুরদসু হৌখিবা জন্যুৱারী ১৮দা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর বুংজাগিন বালটৈনা রোদ সেফ্টি মন্থকী থৌরম হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা রোদ সেফ্টিগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা থৌদাং কয়া লৌরিবা ট্রাফিক পুলিস, ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট, এন জি ওশিং, মীদিয়াপর্সনশিং অমদি ইন্দিভিজ্যুএল কয়াবুসু ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়নননা মীওইবগী পুন্সি কন্ননবগীদমক মীয়াম্না গাড়ী থৌবদা রোদ সেফ্টিগী গাইদলাইনশিং ঙাক্না চৎপীয়ু হায়নসু মিনিষ্টর বুংজাগিন বালটৈনা আপিল তৌখি। লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক থোকপগী চাং হন্থহনবা হায়বসি মখল কয়াগী গাড়ী থৌরিবশিংনা ট্রাফিক্কী রুলশিং ঙাক্না চৎলবা নৎত্রগা চৎহল্লবা মতমদতা ওইথোক্কনি। অদুবু হায়রিবা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্না চৎলবসু লম্বীগী খুদোংথিবা হায়বসি শুকথোক থোক্লোই হায়বদি ঙল্লোই। এক্সিদেন্ট থোকপগী মরমশিংগী মনুংদা লম্বীগী ফীভম ফৎতবদগী ওইরকপা ব্লাইন্দ কোন্নরশিং মওং চুম্না থমদবা, কনাগুম্বা মীওই খরনা করিগুম্বা থবক থৌরম অমগী লম্বী তৌথোক্লগা থম্বা, মরুওইবা ট্রাফিক ক্রোসিংশিংদা ট্রাফিক পুলিস নীংথিনা মথৌ তৌহন্দবনচিংবা য়াওরিবনি। মরম অদুনা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকপা হায়বসি ট্রাফিক পুলিস নৎত্রগা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট খক্তদা ইনশিন্দুনা থম্বা য়াদে। পি দব্লিয়ু দিগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ। ফেব্রুৱারী ৮গী অয়ুক অঙনবদসু ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইরোং চেসাবা মখা লৈকায়দা টাটা ট্রক অমনা তকপদা চহী ১০ রোমতা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। নুপীমচা অদুনা ট্যুসন চৎননবা সাইকল অমা তোংলগা লম্বীদা থোক্লকপদা থৌবালদগী ময়াং ইম্ফাল তম্না লাকপা টাটা ট্রক অমনা তকখিবনি হায়রি। হৌজিক হৌজিক ইরোং চেসাবা মপাদা লম্বী শেম্বগী থবক খুৎশু অসি পরম চুমদবদগী লাইবক থীবা মীশি মীনাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়নসু ইরোং চেসাবা দিভলপমেন্ট ফোরমগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রবনি। লম্বীদা পোষ্টর খরা থেৎপা, চেজাই খরা য়েন্থোকপা, এৱ্যেৰ্নেস প্রোগ্রাম খরা পাঙথোকপা খক নত্তনা থাবুম অমা চুপ্পা রোদ সেফ্টি মন্থ পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈহন্নিংই।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

মেদিকেল এথিক্স ইনগদবা অনৌবা ডাক্টর ৩০০গী থবক

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা মতম মতমগী ওইনা শেম্বা এস ও পিগী চৎনরোলশিং ঙাক্না চৎনবদগী নৎত্রগা ঋতু-পান্থাগী মতুংইন্না নৎত্রগা হর্দ-ইম্যুনিতি লৈরকপনা নৎত্রগা মরম অহুম অসি তূনা চৎমিন্নবদগী ওইগদৌরিব্রা মালেমগী ঈ-পাউ মতুংইন্না কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌনবা হৌনদ্রিঙৈদগী লাইচৎ অসি মালেমগী লৈবাকশিংদা নত্তনা ইন্দিয়াদসু হন্থরকপগী ফীভম উদুনা লাক্লি। মসিমক্তি ইন্দিয়া য়াওনা মালেম পূম্বগী ওইনা অমসুং মণিপুর ষ্টেটকী ওইনসু হেল্থ সেক্টরদা শোৎখরবা, মীশিংসু য়ামজদ্রিবা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনসু অনৌবা চহীসিদা য়াম্না লাইবক ফরকপা হৌবা হায়বদুনি।

নোংম-নোংমগী অকোয়বগী ফীভমশিং ফৎলক্তবা, মীশিংসু ঈশিং-ঈচাওগুম হেনগৎলকপা অমসুং হকশেলগী খুদোংচাবশিং ৱাৎলকপা অসিনচিংবা মরম কয়াদগী অনা-অয়েক্কী চাং অসি হেন্না ৱাংখৎহন্নীংঙাই ওইরি। অমরোমদা চহী খুদিংগী মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা, থবক্তগী পোথাখিবা অমসুং মতম চানা অনৌবা ডাক্তরশিং লৈঙাক্কী ওইনা থবক্তা হাপচিনবীদবা অসিনসু মপূম ওইনা য়েংলকপদা ষ্টেট অসিগী ডাক্তরগী মশীং অসি ফূক্কৎপা মেনখৎপা ঙমদনা হেন্না ইৱাত্তা ৱাত্তুনা লৈরকপদগী অপূনবা মীশিংগা ডাক্তরগী অপূনবা মশীংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা শাথীনা চুনা-চান্নদবগী ফীভম লৈরিবনি।

ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসকী অনৌবা ডাক্টর ৩০০ খক এম পি এস সীগী হৌনবী মতুংইন্না য়াম্না থুনা লৌরগনি হায়দুনা শাথীখ্রবা পেন্দমিক মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না হায়খিবসু লৈরিবনি। অদুবু অমুক হল্লক্লরোইদ্রবা মতম অদু অরেম্বদা চৎহনখিদুনা হৌজিক ফাওবা পো কাঙবগী মৱা মনীল, চেক-মোক অমত্তা লাওরকপা তাদ্রি। হৌজিক ষ্টেট অসিগী এম বি বি এস/পি জি পাস তৌরবা অনৌবা ডাক্তর কয়া লৈরে। মখোয়শিং অসি লৈঙাক্কী থবক পীদুনা লৈঙাক্কী থবক শুহন্নীংই মরমদি মীওইবা খুদিংমক মশা মশাগী চহীবু লিশনখ্রগদি তৌনীংবা থবক-ইনখাংশিং অদু মহাক-মহাক্কী পূক্নিং হকচাংগী মতিক ময়াই অদু হন্থখিবনা হাল্লক্তুনা অমদি মতম কোন্নহৌদদুনা মঙম শানবা হায়বদু ওইরোই হায়বসিনি। শোয়দনমক্কীসু হায়রিবা ডাক্তরশিং অসিগী একাদেমিক এজশিংসু ফনা য়াম্বা য়াওনরম্লগনি।

হন্দক্কী পার্লিয়ামেন্টতা থমখিবা ২০২১-২২গী য়ুনিয়ন বডজেটতা মশা-মঔ ফবা ইন্দিয়া অমা ওইহনবা, অফবা লৈঙাক ওইহনবা অমদি নহাশিংদা খুদোংচাবা পীবগী পান্দমশিংসু য়াওরি। মশা-মঔ ফবা ইন্দিয়া হায়রগদি মণিপুরসু মশা মঔ ফবা ওইফম থোকই। মসিগীদমক্তা ডাক্তরগী থৌদাংসু তঙাইফদবশিংগী মনুংদা অমনি। মরম অসিনা মশা-মঔ ফবা মণিপুর ওইহনবা অমসুং মীয়াম্না য়াবা লৈঙাকসু ওই হায়ননবা, মেদিকেল এথিক্স নিংথিনা ইনগদবা অনৌবা ডাক্টরশিং মরাং কায়না অথুবা মতমদা লৌনবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা লৈঙাক্কী মফমদা নোল্লুক্না হায়জরিবনি।

অদোমগী - ডা. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?
(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?
(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

নেসনল দিৱর্মিং দে : ফেব্রুৱারি ১০

অঙাংশিংদা তীল লৈহন্দবা হায়বসি তুংগী মীরোলগী য়াইফনবনি

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

মী অমনা, মরু ওইনা অঙাং অমনা ফনা ফবা চিঞ্জাক চাদুনসু, মহাক্কী থিবোং মরিলদা তীলশিংনা শাইদাংদুনা লৈরবদি হকচাং ফবা, থবক শুবা অমসুং হকচাং শাজেলদা হৈনীংবা, চানীং-থক্লিংবা অমদি হরাও-হরাও শান্নবা হায়বসি তাঙনা থোকই। মসি অঙাংশিংদদি য়াম্না হেন্না খুদোং থিনীংঙাইনি। মরমদি মসিনা মহৈ-মশীন তম্বদা অচৌবা চৈথেং পীবতা নত্তনা মেন্টেল হেল্থসু ফৎহন্দে (কোগ্নিটিভ দিভলপমেন্টদা অশোয়বা লাকই)।

কনাগুম্বা মী অমগী হকচাংদা তীলদি লৈরগা, লৈরে হায়নদি খঙদনা লৈবদগী মী অদুদা ঈ ৱাৎপা (অনিমিঅ) গী অনাবা লৈরকপা য়াই। মরমদি, হূকৱর্মশিংনা থিরিলদগী ঈ মাঙহনখবা ঙম্মী। তীল অদুনা ঈ অমদি হকচাংগী অতোপ্পা টিস্যুশিংদা শাইদাংদুনা লৈরগা মী অদুনা চাশিনখ্রগা তুল্লক্লবা মচি কারবা পোৎশিং (খুদম ওইনা, আইরন অমসুং প্রোতিন) দু তীল অদুনা চাথোকই, অদুনা হিমোগ্লোবিন মরাং কাইরক্তবদগী ওক্সিজেন ফজনা লৌশিনবা ঙল্লক্তে অমসুং খোঙ হামথবা, ইতোন ফাইবা, চানিং-থক্লীংদবা তৌরকপগা লোয়ননা হকচাং শোন্থবা, চাওজন থিবনচিংবা কয়া মায়োক্লরকই। রাউন্দৱর্মনা অখন্ননা থিরিলদা ভিটামিন এ য়াম্না লৌশিল্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না, মালেমগী অঙাং মিলিয়ন ৮৩৬তগী হেনবনা তীলনা নাবগী খুদোংথিবসি মায়োক্লে; অদুগা ইন্দিয়াখক্কী ওইরগনা চহী ১-১৪ ফাওবদা লৈবা অঙাং মিলিয়ন ২৪১না অসিগুম্বা খুদোংথিবসি মায়োক্লে হায়রি। অসিগুম্বা ফীভম অসি সেনিটেসনগী লম্‌দা শোৎখরিবা, মহৈ-মশীল অমসুং চাওখৎপগী অনৌবা লম্বীদা খোঙ ইথাং থাংজিন্দ্রিবা মফমশিংদা লৈবা অঙাংশিংদনা হেন্না থোক্কল্লি। ঐখোয়গী ইন্দিয়াসি হকশেল, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা চাওখৎলে হায়না পোংজরবসু, নাকল অমরোমদদি থাক য়াম্না নেম্না হিংলিবা মীগী মশীংসু অদুম ৱাংনা লৈরি। অদুনা মালেমগী ওইনা মিলিয়ন ৮৩৬ ওইবদা ইন্দিয়ানা মিলিয়ন ২৪১ থুংলিবনি।

মসিমক ওইদুনসু, ইন্দিয়া তূমদুনা লৈবা নত্তে। থেংলবসু থেংনা মতিক চারবা থৌরাং লৌখৎলকই : নেসনল দিৱর্মিং দে, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী লমজিং মখাদা কুমজা ২০১৫গী ফেব্রুৱারী ১০দগী হৌখিবা থৌরাং অসি অসুম মখা চত্থখিগনি - মালেমদা হিংলিবা অঙাং (মপূং মরৈ ফারবশিংসু য়াওরগা) পূম্নমক তীলগী অনাবা লৈত্রে, লৈসু লৈররোই হায়না লেপ্পলবা মতুংদা।

মীওইবদা তীলগী লায়নাশিং পোকহল্লিবা তীলশিংবু "সোইল ট্রান্সমিটেদ হেলমিন্থস" (এস টি ঐচ) হায়না খঙনৈ। মখোয়গী মনুংদা রাউন্দৱর্ম, হুইপৱর্ম, হুকৱর্মশিংসিনা মপূং ওইনা নাহল্লি। লায়নাসি মরু ওইনা সব-সহারান এরিয়াশিং, অমেরিকাশিং, চাইনা অমসুং নোংপোক থংবা এসিয়াদা খ্বাইদগী য়াম্না থেংনবগা লোয়ননা ট্রোপিকেল অমসুং সব-ট্রোপিকেল এরিয়াশিংদা পাক-শন্না শন্দোকই। অসিগুম্বা তীলশিংসিনা মী অমগী থিরিলদা হিংবা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী মরূম লিশীং কয়া কোকই; মরূমশিংদু মীদুগী অমাঙবদা য়াওরকই। মী অদুনা লৌবুক-লমহাংদা মাংথোকপা মতমদা মরূমশিংদু লৈবাক (সোইল) তা লৈহৌই; নৎত্রগা ঈশিংনা পুথখিদুনা ঈপাক য়ৌরকই। মনা-মশিং, এঞ্জাং-নাপি থোংবদা চেকশিন্দবা,হিংনা চাবদা ফজনা চামথোক্তবা নৎত্রগা মকু ফজনা খোক্তবদগী তীল অসি মীদা চঙলকপা য়াই। করিগুম্বা মতমদনা অঙাংশিংনা লৈবাক্তা শান্নরুরগা মখূৎ-মশা হামদোক্তনা অচাপোৎ চাবা নৎত্রগা মচিন্দা নাল্লুবা-খোৎলুবা মতমদা তীল মরূমশিংদু চঙলকপা য়াই।

অঙাংশিংনা চপল নৎত্রগা খোঙউপ তোংদনা হূকৱর্মনা কন্টামিনেট তৌরবা লৈবাক্তা চৎলুবা মতমদা মরূমশিংদগী লার্ভা ওইরক্লবা তীলদুনা উনশা ফাউদুনা চঙলকপা ঙম্মী। "রিভর ব্লাইন্দনেস" হায়না খঙনবা লায়নাসিবু পোকহল্লিবা হেলমিন্থ অসি অচেনবা ঈশিংগা নক্লনা মরূম কোকপা 'ব্লেকফ্লাই' মখল অমনা চিকপদগী শন্দোকই। লায়নাসিনা হাক্চবা থোকহনবদা নত্তনা মীৎনা পোৎশিংবু উবদা অশোয়বা লাকপগা লোয়ননা, মপূং-মরৈ ফারকপদা মীৎ তাংহনবা ফাওবা য়াই। তীলগী লায়নাসি লৈমিন-চামিন্নবদা শন্দোক্তে, নৎত্রগা ফাইবদা ঙাইরিবা অমাংবদগীসু শন্দোক্তে, মরমদি অমাংবদা য়াওরকপা তীল মরূমশিংদুনা মী অমদা নাহন্নবগীদমক চয়োল অহুম্মুক্তি লৈবাক্তা মপূং-মরৈ ফাহনবগী মথৌ তাই।

ইন্দিয়াগী ওইনা, তীলগী লায়না খ্বাইদগী নারিবা (>৫০%) ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদি অরুনাচল প্রদেশ, য়ু পি, সিক্কিম, ছটিগর, নাগালেন্দ, জম্মু অমসুং কাশ্মীর, দদ্রা অমসুং নগর হভেলি, মিজোরাম, অসাম, উত্তরখণ্ড, দমান অমসুং দিয়ু, লক্ষদ্বিপ, তেলঙ্গনা অমসুং টামিল নাদুনি। চাদা ২০-৫০ ফাওবগী চাংনা দেল্লি, অন্ধ্র প্রদেশ, হরয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, কেরলা, মণিপুর ঝরখণ্ড, অন্দমান অমসুং নিকোবর, বিহার, মহারাষ্ট্র, গোৱা, ওরিষা, পুদুচেরি, পঞ্জাব, গুজরাট, মেঘালয়া, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং ত্রিপুরানি। খ্বাইদগী নেম্না (<২০%) থেংনরিবনা মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থাননি।


Ministry of Health & Family Welfare
Government of India
National Deworming Day
on 10th February
How do worms spread?
1
An infected child contaminates soil with feces containing worm eggs. These eggs develop into larvae in the soil
2
Other children are infected by eggs ingested through food or dirty hands, or by larvae penetrating the skin
3
In an infected child, eggs and larvae develop into adult worms, which produce eggs and have an ill effect on the child's health
All Children aged 1 – 19 years will be dewormed at all schools and anganwadis on National Deworming Day.

লায়না অমনা নারক্তিঙৈগী মমাঙদা নারক্তনবগীদমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। তীলগী লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক তৌবা য়ারিবশিংদি : ১) সেনিটরি টোইলেট শীজিন্নবা, লৌবুক-লমহাংদা মাংথোক্তবা, ২) চারমদাই অমসুং টোইলেট চঙলুরবা মতুংদা খূৎ-শা শেংনা হামদোকপা, ৩) চৎথোক-খোৎতোকপদা চপল, ফেনাৎ নৎত্রগা খোঙউপ তোংবা, ৪) উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিংশিংবু অশেংবা ঈশিংনা শেংনা চামথোকপা অমসুং ৫) মুন্না থোংলবা চিঞ্জাক চাবা অসিনচিংবনি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না অয়াবা পীরবা দিৱর্মিংগী হীদাকশিংদি অলবেন্দাজোল (মিলিগ্রাম ৪০০ অদুবু চহী ২ ফাওবগী অঙাংশিংগীদি মিলিগ্রাম ৪০০গী গুলিগী তঙ্খায় অমখক্তং হায়বদি মিলিগ্রাম ২০০ খক্তং পীগদবনি) অমসুং মেবেন্দাজোল (মিলিগ্রাম ৫০০) নি, মরমদি হীদাকশিংসি য়াম্নমক কান্নৈ, মমল হোংই অমসুং পীবদা লায়না থোকই, হায়বদি মেদিকেল পর্সনেল নত্তবা, খুদম ওইনা, ওজাগুম্বা অমনা হেক্তা পীবা য়াই। অদুবু, *Strongyloides stercoralis* (থ্রেদৱর্ম) গীদমক্তদি চৎলিবা চহীসিদগী ইভরমেক্টিন হায়রিবা হীদাকসি অহোংবা মমলদা ফংহল্লগনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী চিরবা তাঞ্জাসিদা, তুংগী য়াইফনবগীদমক অমসুং মীপূম খুদিংমক হকচাং ফনা লৈবদা মতেং পাংনবগীদমক, চহী ১-১৯ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংবু তীলগী গুলিশিং শোয়দনমক পীজবা হায়বসি মমা-মপা ওইবশিংগী তৌদবা য়াদবা থৌদাং অমা ওইরবনি। অদুনা লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা মতেং পাংবা হায়বসি তৌফম থোকপনি। চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ১০ (ফেব্রুৱারী ১৫দা মোপ-অপ হায়বদি ফেব্রুৱারী ১০দা গুলি চাহৌদবশিংদা পীজবা) অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক চহীদি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা, স্কুলশিং ফজনা কানদ্রিবনিনা, করম্বা মওংদা তীলগী গুলিশিং পান্দম থল্লিবা অঙাংশিংদা পীজগদবনো হায়বদু লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা লেপ্পল্লগনি খল্লি। ●

টৌকিও ওলিম্পিক

- লৈশাংথেম অজিৎ -

টৌকিওদা কুমজা ২০২০দা ৩২শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমস জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্কনি হায়না শেম শারম্বা অদু কোভিদ ভাইরসনা মরম ওইদুনা চহী অমা য়ৈথোকখ্রে হায়বা মালেম পূম্বনা খঙনরে। কুমজা ২০২০ য়ৌগদবা চহী অহুম ৱাৎলিঙৈ জপানগী মমিং লৈবা কয়ামুক অমদি শান্নরোয় কয়ামুক লৈবাক অদুগী নাৎকী ফিজোল KIMONOS শেৎতুনা ১৯৬৪গী টৌকিও ওলিম্পিক্তা শকখিবা ঈশৈ অদু শকখি অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হন্দক্কী অসি খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকপা ওলিম্পিক অমা ওইগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

টৌকিওগী গবর্ণর য়ুরিক কোয়কি জপানগী অঙৌবা ট্রেদিসনেল "HAPPY COAT" লিত্তুনা সহরগী অচৌবা হোল অদুদা থৌরম অদু শরুক য়াখি। মহাক্না হায়খি, 'ঐনা নখোয়বু লুচিংদুনা ওলিম্পিক অসি মায় পাক্কনি'। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) না ওলিম্পিক পাঙথোকপা খুদিংগী চাদিং (খরচ) অসুম অসুম হেনগৎলক্কনি। মরম অদুনা হেক য়ারিবমখৈ চাদিং পিক্না তৌগদবনি হায়বা ৱারেপ লৌরম্মী। অশিন-অরাং তৌরিবশিংবু শেল য়াম্না শীজিন্নদবগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। অদুবু সহর অসিনা মাদ্রিদ অমসুং ইষ্টানবুলবু মায়থীবা পীদুনা গেমস অসিগী য়ূম্বু ওইবগী অয়াবা পীরকপা মরম্না মখোয়না কা হেন্না ফজনা গেমস অসি পাঙথোকনীংই।

গেমস অসিগী শেম শাবা হৌগৎলকপদা কুমজা ১৯৬৪দা পাঙথোকখিবা ষ্টেদিয়ম অদুগী শেমদোক শেমজিন তৌবগী খন্নবদা অফবা মওং, ফত্তবা মওং কয়া খন্নবদা তায়শিন্নবা য়ান্নদবদগী প্রাইম মিনিষ্টর সিন জো অবে (মতম অদুগী) না কুমজা ২০১৫দা ষ্টেদিয়মশিং শেমগৎ শাগৎপগী মরমদা খন্নবদা চেদা এঞ্জিনিয়রশিংনা য়েক্লিবা অদু শেগাইখি। ষ্টেদিয়মদা চঙগদবা শেনফম অদু য়ামন্দুনা মীয়ামসু খোয়শাওনখি। চহী অদুদা অনৌবা খরা হোংগদবা মওংদা চত্থনবা থৌরাং লৌখি। হান্নগী এল ও জি দি অদু লৌথোক্লবা খন্নবদসু য়ানীংদবা, য়ানীংবা কয়ামুক য়াওখি। অদুসু ৱাথোক মচা অমা ওইখি। অদুবু মখোয়না নৌনা শাগদবা অচৌবা মথোল কয়া ৱাংগদবা য়ূমশিং অদু শাবদনি মরু ওইবা ৱাফমদি।

কিলোমিটর ১০০০গী রনিং অমসুং সাইক্লিংগী রেলে অদুমক অৱাং থংবা অওমোটতগী টৌকিও ফাওবনি। থবক শুবা নোম্বদা পূক্নিং চঙবা জপান মচাশিং অসিনা ওলিম্পিক পাঙথোক্লিঙৈগী মতম খরা অসিদা ফেক্টরি, স্কুল, কোলেজ, ওফিস অমদি কৈথেল অমসুং থবক শুবা চৎথোক চৎশিন তৌবদা ট্রেন, সাইকল, বস, কার, স্কুটরনচিংবা চৎপগী অচৌবা খুদোংচাদবা কয়ামুক লৈরি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৬৪দা সহর অসিদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অদুদা লৈবাক ৯৩না শরুক য়াখি। অদুবু থোকহন্নীংদবা থৌদোক খরা থোকখিবা অদুদি ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা অচৌবা পাড়া অমা ওইরি। গেমস অদুদা খা-অফ্রিকাগী টিম শরুক য়াহনখিদে। মরমদি লৈবাক অদু ঙাক্লিবা অঙৌবা কুচুগী লৈঙাকশিং অদুনা কুচু মুবা মখোয়গী মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিং অদু শান্নবদা শরুক য়াহনদে, কুচু মুবা মখোয় মশেল শান্নবদি য়াই দঅুবু কুচু মুবগা কুচু ঙৌবগা পূন্না শান্নমিন্নবা য়াদে। অসিগুম্বা মীওই কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমবু থীনা তৌবীবা, মখোয়বু ইন্থোকপীবা অসি ওলিম্পিক্কী চৎনরোলদা য়াদবা মরম্না অমুবশিং থীনা তৌবীদুনা লৈঙাক্লিবা অঙৌবশিং অদু গেমস অদুদা শরুক য়াহনখিদবনি।

কুমজা ১৯৬২দা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জাকার্টাদা এসিয়ন গেমস পাঙথোকখি। মদুদা ইন্দোনেসিয়া লৈঙাক্না ইজরেল অমসুং টাইৱানবু গেমস অদুদা শরুক য়াহনখিদে। মরম অদুনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ইন্দোনেসিয়া ওলিম্পিক কম্মিটিবু সস্পেন্দ তৌখি। অদুবু মমৈথংদা লৈবাক অসিনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লবা মতুংদা লৈবাক অসিবু অমুক লৌখৎপীখি। অসিগুম্বা কাঙলোন অসিনা ইন্দোনেসিয়া অমসুং অৱাং কোরিয়া টৌকিও ওলিম্পিক গেমস য়াওহন্দদুনা ময়ূমদা হলহনখি।

ওলিম্পিক অসিদা জুদো অমসুং ভোল্লিবোল অহানবা ওইনা তোঙানবা থৌরম অমা ওইনা য়াওহনখি। ভোল্লিবোল অসি কুমজা ১৮৯৫দা অমেরিকা মচা ৱিল্লিয়ম মোরগান কৌবা অমনা পুথোকপনি। অনৌবা মশান্না ওইবা মরম্না মশান্না অসি মালেমগী মফম অয়াম্বদা শান্নদে। অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা মহাদেশ পূম্বা শিন থুংনা শান্নখিবনি। মরম অদুনা ইন্টরনেসনল ভোল্লিবোল ফেদরেসন শেম্লবা মতুংদা ফেদরেসন অসিনা মালেম শিনবা থুংনা মশান্না অসি শন্দোক্লবা হোৎনখিবদগী ওলিম্পিক্কী থৌরম অমা ওইবা ঙমখি।

টৌকিও ওলিম্পিক্তা থৌরম অসি অহানবা ওইনা ওলিম্পিক্কী মশান্না অমা ওইহনখি। মদুদা নুপাগী টিম ১০, নুপীগী টিম ৬ খনগৎতুনা শান্নহনবদা নুপাগীদা সোভিয়েট লৈবাক্না জে কোসলোভাকিয়াবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা ওলিম্পিক্কী অহানবা ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন ওইখি। নুপীগী হীরমদা জপান্না সোভিয়েট লৈবাকপু ফাইনেলদা মায়থীবা পীখি।

জপানগী নুপী টিম অসিগী শান্নরোয় ১২গী মনুংদা ১০দি নিচিবো কৌবা ফি শানবা, লং শুংবগী অচৌবা ফেক্টরি অমদা থবক তৌই। মখোয়গী কোচ হিরোফুমী দায়মাটসু ফেক্টরি অদুদা থবক অচৌবা অমা তৌই। মহাক্না মহাক্কী শান্নরোয়শিংবু দিসিপ্লিন য়াম্না নীংথিনা থম্বা পাম্মী অদুগা মহাক য়াম্না শাথীবা শান্নবদা অশোয়বা য়াদবা ওজা অমনি। মহাক্না হায়বা ইন্দবীশিং অদু থীনা ফুই। নোংমদা পুং তরুক প্রেক্টিশ তৌহল্লি। নোংমাইজিংগী ছুটি লৈতে। মহাক্কী থৌওং অদু য়াদবা জপানিজশিংনা মহাক্কী মথক্তা ৱাকৎ কয়া থমখি। অদুবু লৈবাক্কী মীংচৎতি পুরকখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।